লৈঙাক্লা এম এম এ মশান্নদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলবদি লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপা খক্তা নৎতনা নহা কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কনবা ঙমগনি : দিনেশ নাওরেম

শান্নবুংগী পাউদম-১৯
জয়চান্দ লুৱাং

মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) হায়রিবা মশান্না অসি লৈবাক অসিগী অৰাং-নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং মরুওইনা মণিপুরগা য়াম্না চানবা মার্সিএল আর্টস মখল অমনি। অদুবু লমদম অসিদা ট্রেনিং তৌফম লৈতবনা মরম ওইরগা এম এম এ শান্ননিংবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদি শান্নবা ফংদনা লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা এম এম এ মশান্নদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরবদি মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা খক্তা নৎতনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লুপখিগদবদগী কনবা ঙমগনি হায়না মমাং থাগী ২৪দগী ২৮ ফাওবা কিৰ্গিষ্টানদা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল এসোসিএসন ওফ মিক্স মার্সিএল আর্টসতা মেদল ২ (গোল্ড অমসুং সিলভর) লৌবা ঙল্লকখ্রবা দিনেশ নাওরেমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা দিনেশকা অখন্ননা ৱারী শানখিবা অমদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদগী অফবা এম এম এ শান্নরোয় কয়া লৈরি। অদুবু লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপনা মপান লমদা অদুম্মক লৈদুনা হিংনবা হোৎনরি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অতোপ্পা মশান্নশিংদা মেদল লৌবা ঙল্লকখ্রবা শান্নরোয়শিংদা পীরিবা খুদোংচাবা অসিগুম এম এম এ শান্নরোয়শিংদা পীরবদি লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ কয়ারক হন্না পুরকপা ঙমগনি। এম এম এ মশান্না অসি ওলিম্পিক্সতা য়াওদে হায়দুনা মীওই খরনদি য়াম্না থাক হন্থবা মওংদা খনবগুম তৌই। মসি লাইবক থীবনি। মশান্না খুদিংমক চপ মান্নবা থাক্তা ঐখোয় খুদিংমক্লা লৌফম থোকই। ওলিম্পিক্সতা য়াওরিবা মশান্নশিং অদুগী মকোক থোংনবা হোৎনবদা শান্নরোয় অমনা হোৎনরিবা অদুগুম্না এম এম এ শান্নরোয়শিংসু হোৎনরিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইগে হায়রবদি প্রেক্টিস মতম চানা তৌবা, অফবা চীঞ্জাক চাবা অমদি দিসিপ্লিন খঙনা চৎপা মথৌ তাই। হায়রিবা অহুম অসি য়াওদ্রবদি শান্নরোয় অমনা কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙল্লোই। লৈত-লায়রনা হৌরকপা মীওই কয়া তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংদা শান্ননিংলবসু ইমুংগী ফীভম্না মরম ওইরগা শান্নবা ঙমদনা লৈরি। মহাক্কী ওইনসু ইমুং-মনুংগী ফীভম কা-হেন্না ফত্তবনা মরম ওইরগা অৰাবা কয়া মায়োক্লরকখি। শান্নবগী দাইট লৈনবা হোৎনবদা সেরৌদা চৎতুনা লৈঙোই পেকপা, চেক্কোনদা চৎতুনা চেক শূবনচিংবা থবক কয়া তৌরকখি। মায় পাকপা মীওই অমা ওইনবা হোৎনবদা ঐখোয়না তৌরিবা থবকশিং চিলহাও থিরোইদবনি। মাংদা থল্লিবা পান্দম অদু ফংনবা মীনা করি ঙাংনরিবগে খন্দনা হোৎনগদবনি।

পনবা য়াবদি, দিনেশ নাওরেম কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কক্চীং সুমাক লৈকাই য়োৎশুংবম পরেং মখা লৌদগী লৈখিদ্রবা নাওরেম য়াইমা অমসুং নাওরেম ওংবী মোনবীগী মচানুপানি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক শান্নববু পামজরকখি। মহাক্লা শান্নবা পামজবা অদু উবদা মহাক্কী অপোকপগী ময়ান্বা মপন্থৌনা শীনবীদুনা স্পোর্টস চঙনবগী লম্বীদা খোঙ থাংবা হৌরকখি। অহানবদা নেসনল স্পোর্টস একাদেমি খুমন লম্পাক্তা মহাক্লা চান্নগদবা মশান্না থিবা মপন্থৌগা চৎমিন্নখি। খুমন লম্পাক্তা থেংনখিবা ওজা অমনা মঙোন্দা মশান্না খরগী মমিং হায়রকপগা লোয়ননা দেমোন্সট্রেসন তৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক্লা চান্নগদবা মশান্না অসি রেষ্টলিংনি হায়বা খঙখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর থাদা সাইদা চঙদুনা রেষ্টলিং শান্নবা হৌখি। সাইদা লৈদুনা প্রেক্টিস তৌরবদি হেন্না খুদোংচাবা ফংগনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা মহাক চঙখিবনি। রেষ্টলিং শান্নরিঙৈ মতমদসু সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়রগী থাক্তা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা ব্রোঞ্জ মেদল ফাওবা লৌরকপা ঙমখি। অদুবু ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা শান্নবগী মহুৎতা থবক অমত্তং ফংলবদি হায়দুনা ৱাখল খনবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা মহাক সাই থাদোক্তুনা থবক তৌনবগী লম্বী থিবা হৌরকখিবনি। এস এস বি অমদি আর্মি রিক্রুটমেন্ট কয়া মহাক য়াওরুরে। অদুবু এস এস বিগীদনা অৰাংবা শুদে হায়দুনা মহাকপু তান্থোকপীরকখি। অদুগা এম পিদা পাঙথোকখিবা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অদুদনা ফিজিকেল টেষ্ট পাস তৌরগা রিটর্ন টেষ্টতা ফেল ওইহৌখি। অসুম্না নীংবা কায়না লৈরিঙৈদা এম এম এ মশান্নদা লমদম অসিগী ওইনা মমিং লৈরবা রোশন মাইনামনা ফোন তৌরক্তুনা মহাকপু মশান্না অসিদা খোঙদানবা য়াম্না কন্না হায়রকপদগী কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থাদা মহাক বেঙ্গলোরদা চৎতুনা শান্নবা হৌখি। মদুগী মতুং বেঙ্গলোরদা লৈবা কোই কোম্বেট একাদেমিদা চঙদুনা কোচ ভিশাল সেহগালগী মখাদা ট্রেনিং চথখি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্লা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লমদম অসিগী মিংচৎ কয়া পুরকপা ঙমখ্রে। মহাক্লা মেদল লৌরকখ্রবা চেম্পিয়নশিপশিংগী মনুংদা, কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা এ আই এম এম এ এফ ওপন এম এম এ চেম্পিয়নশিপ (গোল্ড), এম এম এ ইন্দিয়া নেসনল চেম্পিয়নশিপ বেঙ্গলোর (গোল্ড), স্পোর্টস জিয়ু জিটসু এসিয়ন ওপন চেম্পিয়নশিপ (সিলভর) পনবা য়াই। অদুগা হন্দক্তা কিৰ্গিষ্টানদা পাঙথোকখিবা জি এ এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা কিলোগ্রাম ৫৬.৭ ফ্লাইৱেথ এম এম এদা গোল্ড মেদল অদুগা ষ্ট্রাইকিং এম এম এদা সিলভর মেদল পুন্না মেদল ২ লৌদুনা লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা জর্মনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতসু গোল্ড মেদল লৌনবা দিনেশনা টার্গেট থল্লি।

রজিব রাম অমসুং জো সালিসবুরিনা টাইটল লৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): য়ু এসকী ন্যু য়োক সিটিদা পাঙথোকপা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় রজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসবুরিনা লৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ প্যের অদুনা ৭শুবা সিদেদ প্যের ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেগা লন্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু ৩-৬তা মায়থীরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা রাম অমসুং সালিসবুরিনা ফজবা হেল্লক্তুনা সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবগা লোয়ননা ৬-২দা থোইখি। অদুগা মখা তানা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট শান্নরকপদা অনীশুবা সেট অদুগা চপ মান্নবা স্কোরদা ৬-২দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং নম্বর ২ সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভকা লন্বা তৌনরগনি। জোকোবিচনা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা ঙরাং জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভকা অকনবা লন্বা মায়োক্লরগা সেট ৩-২দা থোইখি। অহানবা সেট জ্বেরেভনা ৬-৪দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেট অদু জোকোবিচনা ৬-২, ৬-৪দা থোইরবা মতুং মরিশুবা সেট অদু জ্বেরেভনা অমুক ৬-৪দা থোইরগা জোকোবিচনা মঙাশুবা সেট অদু ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা ঙরাং রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা কানাদাগী ফেলিক ওগর এলিয়াসিমবু ৬-৪, ৭-৫, ৬-২দা থোইরমখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা হল্লকপগা রোনাল্ডো পাঞ্জল ২ চনখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ইটালিগী য়ুভেন্টসতগী তোল্লবা মতুং ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা অমুক য়াওরকপা অসিগী অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচতা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখিবা মেটচতা মহাক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রে।

অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ন্যু কাসলগী জেভিয়র মনকিলোনা ইক্বেলাইজর অদু ৫৬শুবা মিনটতা চনখি। অদুবু ৬২ শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং ৮০শুবা মিনটতা টিমমেট ব্রুনো ফর্নান্দেজনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। লোয়ননা শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অতোপ্পা শান্নরোয় জেসি লিনগার্দনা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা টোটেনহাম হোটস্পরবু ক্রিষ্টেল পেলেসনা ৩-০দা থোইখি। মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লেষ্টর সিটিবু ১-০দা থোইখি। নোরৱিশ সিটিবু আর্সনেলনা ১-০দা থোইরমখি। লোয়ননা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সনা ৱাটফোর্দপু ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা বেয়র লেবরকুসেনবু ৪-৩দা থোইখ্রে

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): বুন্দেসলিগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নবা মেটচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা বেয়র লেবরকুসেনবু অকনবা লন্বা অমদা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শুপ্পগী ৯শুবা মিনটতা লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী ওলিনোনা পীরকপা বোলদা ফ্লোরিয়ান ৱর্টজনা চনখি। শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা বোরুসিয়াগী থোমাস মেনিয়রনা পীরকপা বোলদা অর্লিং হালান্দনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা লেবরকুসেনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ফ্লোরিয়াননা পীরকপা বোলদা পেট্রিক স্কিটনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাদুনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ৪দা ঙাইরিঙৈদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা অর্লিং হালান্দগী বোলদা জুলিয়ন ব্রেন্টনা অনীরকশুবা ওইনা ইক্বেলাইজর চনবা ঙমখি। মেটচ মখা চথরকপা ৫৫শুবা মিনটতা লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী মোসা দিয়াবিনা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা ৩-২দা অমুক মাঙজিল থাখি। অদুবু বোরুসিয়াগী মায়কৈদগী রাফেল গুইরৈরোনা ৭১শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অমদি টিমমেট অহানবা পাঞ্জল চনখিবা হালান্দনা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না লেবরকুসেনবু ৪-৩দা থোইখি।

ভেনিজিয়ানা এম্পোলিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

রোম, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): ইটালিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভেনিজিয়ানা এম্পোলিবু ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

এম্পোলিনা য়ূম্বু ওইরগা কার্লো কাষ্টিলানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা ভেনিজিয়াগী মায়কৈদগী মাটিয়া অরামুনা পীরকপা বোলদা থোমাস হেনরিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌরিবা পুংখায় হেনবা মতম অদু এম্পোলিগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্বেলাইজর ফংদনা লোইশিনখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী মাঙওইননা ভেনিজিয়া মেটচ অমত্তা মায় পাক্তনা লৈরম্বনি। অমরোমদা, এম্পোলি মেটচ ১ মায় পাক্লগা লাকখি।

অনীশুবা হাফকী ৬৮শুবা মিনটতা ভেনিজিয়াগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা থোমাস হেনরিনা পীরকপা বোলদা টিমমেট ওকেরেকিনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখা তানা এম্পোলিবু মখোয়না ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ১তা ঙাইশিল্লক্লবদা এম্পোলিগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অদু নেদিম বজ্রামিনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ১-২দা মখোয় ভেনিজিয়াগী মখূৎতা মায়থীখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী মমিং-মথা অঙনবদা লাউথোকপনা মীয়ামগী অপাম্বনি

কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মরুওইনা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইনিংবনা অয়াম্বনি। য়ামদ্রবদা এ সী অমদা মীওই ২/৩ অমসুং ৪/৫ চোংথোরকপা ফাওবা য়াওরি। অতোপ্পা পার্টিগী টিকেটতা মীরেপ ওইনিংদনা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইনিংবগী মরমদি হৌজিক্কী ওইনা লৈরিবা লৈঙাক্কী লুচিংবা অসি বি জে পিগী সী এম মীয়াম্না য়াবা লুচিংবা অমা ওইবগা লোয়ননা সেন্টরদসু বি জে পি লৈঙাক লৈবনা বি জে পি পার্টিগী টিকেটতা মীরেপ ওইরবদি মীয়ামগী থৌজাল ফংদুনা ভোট শোয়দনা কাদুনা মায় পাক্কনি খনবনা ওইরম্বা য়াই। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংগী বি জে পিগী টিকেট তান্নদুনা ভোট লেপকদবা মীওই য়াম্মনবনা ভোটর ওইবশিংগী ভোট মমাংদা ৱাখল চোইবা ফাওবা য়াওনরে। ঐখোয়গী ভোটর অয়াম্বা পার্টি টিকেট তান্নবা য়াওবা মীওইশিং উদনবা লোৎতুনা খাঙনরে। মতম কুইনদগী পার্টিগীদমক কথোকচরক্লবা মীওইদা নৎত্রগা অনৌবা চঙলকপা মীওইদা করম্বা মীওইনা টিকেট ফংলক্তুনা ভোট লেপকদগে খনবদা ভোটর অয়াম্বা তশেংনা কোক ঙাওনরে। ঙসিদগী নুমীৎ খরনিগী মমাংদা জিরিবামদা ষ্টেটকী বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা পীবা ৱারোল অমদা পার্টিবু নুংশিবীদুনা ভোট লেপ্পবা টিকেট তান্নরিবা মীওই অমত্তদা পার্টিগী টিকেট পীরোই হায়বা লৈতে হায়খিবসিনা অমুক্কা হেন্না চূমহল্লে।

❒ **এল ইবোমচা, তাওথোং**

অমনা-অমবু মতেং পাংনদুনা নুংশিনদুনা মতেং পাংনদ্রবদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা খক ওইরোই

কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না পানরিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক মাগী-মাগী পার্টি খুদিংমক্লা অঙম্বা থাক্তা ঙাংনরি, লাউনরি। অওইবসু ওইদবসু পংঙাংদা ঙাংনরি। অদুবু অচুম্বা অশেংবা ৱাফমশিংদি মীচম মীয়াম্না খঙগদবা ঙাক্তেনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা পোলিটিক্স তৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবীরিবশিংনসু অফবা খুন্নাই অমা ওইবতা নৎতনা হীরম খুদিংদা তমজনফম ওইহনবীয়ু। ইমা লৈবাক্কি হায়দুনা শোল্লগা থবক্তনা উৎপা ঙমদ্রবদি মমা লৈবাক নুংশিবা মীশক অমনি হায়নরোই। শেন্দোং তানবদি লাই হায়বা য়াই। অদুবু শেন্দোং ফংহনগদৌরিবা পোৎশক অদু ফজবা কালিটি লৈহনবা অমা চঙই হায়বসি নীংশিংবীবা ফৈ। মীয়াম্সু ইশা-ইশাগী রাইট ময়েক শেংনা খঙনা মীখলদা মীরেপ ওইরক্লিবা মীওইশিংদা ভোট থাদহন্নিংই। মীশীং য়ামখ্রবা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়না অপীক-অপীকপা ফুরুপ কয়াদগী তমজনিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া লৈ হায়বসিসু নীংশিংবীয়ু। ভোটতি অমুক্তং থাদখ্রগা লোইরে হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকমিন্নবা ফৈ। মরমদি অমুক্তং থাদখিবা ভোট অদুনা কাখ্রবদি চহী ৫ মীয়ামগী রাইট খুদিংমক কেন্দিদেট অদুনা শীজিন্নরক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা অফবা লৈবাক মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌরক্কদবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট থাদহৌবনা ঐখোয় পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি।

❒ **ৱাঙ্খেৱাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোঙ**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

আর্মস্পোর্টকী সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): মুম্বাইদা ওক্টোবর ২ অমসুং ৩দা মহারাষ্ট্র আর্মস্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং আর্মস্পোর্ট ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মুম্বাই মেয়র নেসনল আর্মস্পোর্ট নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুন্নবা মণিপুরগী টিম খন্ননবা সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না আর্মস্পোর্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মণিপুরগী টিম খন্ননবা সেলেক্সন প্রোগ্রাম অদু ইম্ফালগী হাওবম মরক ইরোম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা সেপ্টেম্বর ১৬ অমসুং ১৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

শরুক য়ানিংবশিংনা দোক্যুমেন্টশিং পীশিল্লক্কদবনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): নাসিক, দেল্লী অমসুং খুর্জাদা পাঙথোক্কদবা তোঙান-তোঙানবা মিক্স মার্সিএল আর্টসতা শরুক য়ানিংবা ক্লব, জিম নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুএলশিংনা খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসনগী ওফিসতা খ্বাইদগী নৌবা ফাইটিং পোজিসনগী ফোটোগ্রাফ, মেদিকেল ফিটনেসকী সর্টিফিকেট, হেপাটাইটিস বি অমসুং সীগী সর্টিফিকেট, আর টি-পি সী আরগী রিপোর্ট লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী সর্টিফিকেট পীশিল্লক্কদবনি হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি। নাসিকতা সেপ্টেম্বর ২৫দা হেরো কন্টেন্দর সুপর বাউট এন্দ প্রোফেসনেল ফাইট নাইট পাঙথোক্কদৌরি। দেল্লীদনা ওক্টোবর ১৬তা বেট্টল ওফ ৱার-২ পাঙথোক্কনি। অদুগা খুর্জাদনা ওক্টোবর ৩১দা রাইট টু ফাইট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস): হোক্কী থৌবালনা ঙসি টোকিও ওলিম্পিক্সতা নুপাগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপা টিমদা শরুকয়ারুবা নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমবু তরাম্না ওকখ্রে। ওকপগী থৌরম অদুদা গ্যানেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, হোক্কী থৌবালগী প্রসিদেন্ট কোন্সম মাইকেলনা প্রসিদেন্ট লোয়ননা নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং মণিপুর হোক্কীগী বোর্দ মেম্বর বি বন্দননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। গ্যানেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, হোক্কী মশান্না অসি মণিপুরগা য়াম্না চুনবা মশান্না অমা ওইরি। মশান্না অসি পামজবশিংবু পুক্নিং থৌগৎপীবা অমদি শৌগৎপীদুনা ইরমদমগী মায় পুরক্লবা হোৎনবীবা মথৌ তাই।

এ এফ সী এসিয়ন কপকী মাঙওইননা নুপীগী টিমনা য়ামদ্রবদা গেম ১০ শান্নবা তাই : দেনর্বি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২০দগী ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা য়ামদ্রবদা গেম ১০ শান্নবগী মথৌ তাই হায়না নৌনা নুপীগী টিমগী হেদ কোচ ওইরবা স্বিদেন মচা থোমাস দেনর্বিনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৬২ শুরবা থোমাস দেনর্বিনা মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপকী ট্রেনিংগী ইন-চার্জ ওইদুনা কোচকী থৌদাং লৌরকখি। অদুবু হৌখিবা থাদা এ আই এফ এফনা হান্না কোচ ওইরম্বা অদু পোত্থাখিবদগী থোমাস দেনর্বিবু অনৌবা থৌদাং অসি লৌরকখিবনি।

ভর্চ্যুএল মীদিয়া ইন্টরেক্সন অমদা দেনর্বিনা ঙসি মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এ এফ সী এসিয়ন কপ অসি হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা অতোপ্পা লৈবাক্কী টিমশিংগা মেটচ ১১দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা শান্নবা তঙাইফদে। অদুবু য়ামদ্রবদা ১০ ফাওবদি শান্নরোয়শিং অসিনা মখোয়গী অশোনবশিং অদু নীংথিনা মশক খঙদোক্তুনা অহেনবা মওংদা শেমগৎপা য়াননবা গেমশিং অসি শান্নগদবনি হায়খি।

এ আই এফ এফনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মতম অসিদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শেম শানবা মতেং পাংলি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ কারন্টিনগী অথিংবা কয়া লৈবনা শান্নরোয়শিং চৎথোক-চৎশিনদা অপনবা পীরি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিম অসি জমশেদপুরদা এ এফ সী এসিয়ন কপকীদমক প্রিপেরেটরি কেম্প অমা চথরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা শেম শাবা মেটচ শান্ননবা লৈবাক থিবদা অৰাবা অমা ওইরি। লৈবাক খরদদি ইন্দিয়া অসি রেদ মার্ক তৌদুনা চঙলকপা য়ারোই হায়বা ফাওবা য়াওরিবনি। ফিফা ৱিন্দো হয়েংদগী হাংদোক্কদৌরিবা অসি ফাওবদা লন্বা লৈবগী কনফর্মেসন লৈত্রি। কেম্প অসি চয়োল অহুম মখায় হৌজিল্লকখ্রে। চয়োল অমদা প্রেক্টিস সেসন ১১ লৈ। শান্নরোয়শিং অসিনা য়াম্না কন্না হোৎনরি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদুদা কার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌনবা হোৎনগনি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সনা ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিমবু ১-০দা থোইখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ১৩০রক শুবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স ফুটবোল ক্লব অমসুং ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিমগা লন্বা তৌনবদা শুপ্পগী পাঞ্জল ১দা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী টিমনা মায় পাকখি।

সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম মীয়াম্না বিস্বা য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গন হায়নসু খঙনবা অসিদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমসুং ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিমনা অহানবা হাফ অদুদা য়াম্না লেং মান্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পুশিন্নখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংনখিদে। অনীশুবা হাফকী পুংখায় ফারমদাইদা কেরলা ব্লাষ্টর্স ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এদ্রিয়ান নিকোলাস লুনা রেটোমরনা ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিমবু মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল ১ হেল্লিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী ইন্দিয়ন নেভিগী শান্নরোয়শিং অদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংদনা শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিনখিবনা হানবদগী ০-১দা মায়থীখি। হয়েং অসাম রাইফলস ফুটবোল টিম অমসুং হায়দরবাদ এফ সী শান্নগনি। অদুগা গোকুলম কেরলা এফ সী অমসুং আর্মি রেদসু থেংনগনি।

রনধিরনা ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগী লাইফ ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়াগী রাজা রনধির সিংহবু এক্টিং ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। খোঙথাং অসি হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কুৱেটকী সেখ অহমদ অল ফাহাদ অল সাবাবু স্বিজ ফোর্জরি ট্রায়ল অমদা কনভিক্ট ওইরকপদগী রনধির সিংহনা এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পায়খৎকদৌরিবনি।

রনধির মশামক কুমজা ১৯৭৮দা এসিয়ন গেমসকী শুটিংগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়নি। লোয়ননা ওলিম্পিকতসু মহাক ৫রক শরুক য়াবা ঙমখি। হান্নগী প্রসিদেন্ট সেখ অহমদনা জিনিভা ট্রায়ল অদুদা মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু আপিল চথরি। মসিগী মতাংদা রনধিরনা মহাক্কী আপিল অদু মায় পাক্কনি হায়না থাজে হায়খি। সেখ অহমদনা প্রসিদেন্ট অসি কুমজা ১৯৯১দগী ওইরকপনি। মহাক্লা পোলিটিকেল রাইভেলশিংদগী খুদোংচাবা ফংনবা প্লোট অমা শেম্লুবগী মতাংদা ট্রায়ল চথরকপনি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 227

Lombardy, William James - Reshevsky, Samuel
New York m New York (3), 1956

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6
5.d4 exd4 6.O-O Be7 7.e5 Ne4 8.Nxd4 Nxd4
9.Qxd4 Nc5 10.Nc3 O-O 11.Rd1 d6 12.Be3 Nxa4
13.Qxa4 Bd7 14.Qd4 Be6 15.Bf4 dxe5 16.Qxe5 Bd6
17.Qe4 Qe7 18.Bxd6 cxd6 19.Nd5 Qd8 20.Ne3 Qd7
21.Rd4 Rac8 22.Rad1 Rc6 23.Qd3 Rd8 24.c4 Qc7
25.f4 f6 26.b3 Bf7 27.h3 Re8 28.Re4 Rxe4
29.Qxe4 Qd7 30.Qd4 Be6 31.a4 f5 32.b4 Qc7
33.Kh2 h6 34.b5 Rc5 35.Qxd6 Qxd6 36.Rxd6...

QUESTION :
White to Win

Puzzle 226 Ans. :

29. ...Rxd5 30.cxd5 Qc2+ The black queen attacks White's king, which is defending White's rook.31.Kxf3 Bxd5+ The black bishop attacks White's king, which is defending square e4.32.Kg4 Qe4+
32. ...Bf7 33.Qh3 Qe4+
33. ...h5+ 34.Kf3 Bd5# 34.Bf4 Qxe1 33.Kh3 Qg2+ 34.Kg4 Bf3# Double bishop mate29...Rxd5 30.cxd5 Qc2+ 31.Kxf3 Bxd5+ 32.Kg4 Qe4+ 33.Kh3 Qg2+ 34.Kg4 Bf3#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com